# মণিপুরগী ফুটবোল শান্নরোয় ৬ কোলকটাগী ইন্দিয়া কেম্পকীদমক্তা লাউথোরকপদা য়াওরক্নে



ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী):
সেপ্টেম্বর থাদা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমনা শান্নগদবা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচকীদমক শেম শাবা ওইনা কোলকটাদা ওগষ্ট ১৫দগী হৌগদৌরিবা কেম্প অদুদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ৬কী মমিং য়াওরক্নে।

ইন্দিয়াগী চীফ কোচ ওইরিবা ক্রোএসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেকনা পূন্না শান্নরোয় ৩৬ লাউথোকপগী মনুংদা এ টি কে মোহন বগান অমসুং বেঙ্গলুরু এফ সীগী শান্নরোয়শিংগী ওইনদি মখোয়না এ এফ সী কপকীদমক সেদ্যুল্ড লৈবা মরম্না টিম অনীগী শান্নরোয়শিংগী মমিং য়াওরবসু ওগষ্ট ১৫গী হৌগদৌরিবা কেম্প অসিদদি ক্লব অনীগী শান্নরোয়শিং অদু এসেম্বল তৌরোইদৌরি।

ষ্টিমেকনা লাউথোকখিবা শান্নরোয় ২৩ অদুগী মনুংদা মণিপুরদগী য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা মোইরাংথেম ধিরজ, দিফেন্দরদা চিংলেনসনা, মিদফিল্ডদা জিক্সন অমসুং বিপিননি। অদুগা বেঙ্গলুরু এফ সীদা য়াওরিবা অতোপ্পা মণিপুর মচা অনী অদুদি উদান্তা অমসুং ৱাংজম সুরেশনি। মখোয় অনীদি ওগষ্ট ১৫দা কোলকটাগী কেম্প অসি য়াওরোইদৌরি। অদুবু মখোয়গী ক্লব অদুনা এ এফ সী কপকী সেদ্যুল্ডশিং অদু লোইরবা মতুং কেম্পতা মখা তানা শরুক য়াগদৌরি।

মরক অসিদা, মথংগী চহীদা ইন্দিয়ানা য়ুম্নু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপীগী এসিয়াগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনদি কেম্প পাঙথোকপগী ৱাফম অমত্তা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোকপা লৈত্রি।

খনগৎলবা শান্নরোয় ২৩ অমদি ষ্টাফশিংনা কোলকটাদা ওগষ্ট ১৫দা পূনশিল্লবা মতুং থংনবা নুমীৎতা ট্রেনিং সেসন অদু হৌগদৌরিবনি। নীংশিংবা য়াবদি, কোলকটাদা ইকোনকোন্না ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিমনা কেম্প পাঙথোকখিবা অদু কুমজা ২০০৬তা সাউদি অরাবিয়াগা শান্নগদবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়র মেটচ অদুগী কেম্প ওইখি।

কোলকটাগী কেম্প অসিদা বাইও ববলগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসি য়ৌহন্দনবা পাঙথোক্কদৌরিবনি। লোয়ননা কেম্প অদুদা শরুক য়ারিবা পুম্নমক্না চাংনাইনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগদৌরি।

ইন্দিয়াগী চীফ কোচ ওইরিবা আইগোর ষ্টিমেকনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী শান্নরোয়শিংগা অমুক নৌনা উনগদৌরিবা অসি য়াম্না নুংঙাই। পূনশিল্লগা টিম অসিনা থেংনগদৌরিবা চাংয়েংশিং অদুগীদমক্তা শেম শাগদৌরিবনি। অৱাৎপা শান্নরোয়শিং অদুসু মখোয়গী মথৌ পাঙথোক্লবা মতুং কেম্প অসিদা থুংলগনি হায়খি।

# ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং খনবগী মতাংদা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনননা থৌদাং লৌগদবনি : সাই

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী):
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা চেরোল অমদা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ইন্টরনেসনল কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়ানবগী মতাংদা খনবগী থবক অসি নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা মথৌ ওইগদবনি। ওথোরিটিগী মায়কৈদগী লৈতে হায়খ্রে।

ৱাফম অসি পোলেন্দগী লুব্লিনদা পাঙথোক্কদৌরিবা মরিরকশুবা ৱর্ল্ড দেফ (মনা পঙবা) এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা টামিল নাদুগী এথলিট অমা খল্লক্তে হায়বগী মতাংদা মীদিয়াগী রিপোর্ট কয়া অমা লাকখিবা অদুগী পাউখুমদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোরকপনি।

টামিল নাদুদগী দেফ এথলিট অদু সামিহা বারৱিন কৌই। মহাকপু ইন্দিয়াগী দেফ এথলিটশিং খনবদা য়াওরক্তে হায়বগী মতাংদা হন্দক্তা মীদিয়াগী রিপোর্ট কয়াদা ফোঙদোরকখিবা অদু স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নত্তে, নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী অচৌবা মথৌনি হায়না শেংদোরকখিবনি।

সাইকী শেংদোক ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা, ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা চৎকদবা শান্নরোয়শিং খনবগী মথৌ অসি নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনগী থৌদাংনি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা এথলিট অমত্তা খনবগী থৌদাং লৈতে হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুং ওল ইন্দিয়া স্পোর্টস কাউন্সিল ওফ দি দেফ (এ আই এস সী দি)কী মায়কৈদগী অয়াবা ফংলবা মতুং মরিশুবা ৱর্ল্ড দেফ চেম্পিয়নশিপকীদমক্তা অমদি কুমজা ২০২১-২২গী ওইনা এন্যুএল কেলেন্দর ফোর ট্রেনিং এন্দ কম্পিটিসনগীদমক্তা এথলিট ৫ অমসুং কোচ ১ এপ্রুভ তৌখিবনি। টামিল নাদুগী এথলিট সামিহা বারৱিনগী মায়কৈদগী কমপ্লেন্ট অমা লাকখিবা অদুগী মতুংদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা এ আই এস সী দিদগী রিপোর্ট অমা ফংখি। হায়রিবা রিপোর্ট অদুদা এ আই এস সী দিনা মমাং থাগী ২২দা ন্যু দেল্লীদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা সেলেক্সন ট্রায়ল অমা পাঙথোকখি। মদুদা কমপ্লেন্ট তৌরক্লিবা সামিহা বারৱিননা মিটর ২০০গী লমজেল অমসুং লোং জম্প ইভেন্টতা শরুক য়াখি। মদুদা সামিহা মিটর ২০০গী লমজেলদা ক্বালিফাই ওইখিদবনি। লোয়ননা লোং জম্পগীদা মহাক মিটর ৫ চোংদুনা এ আই এস সী দিনা থোকখিবা মেরিট লিষ্ট অদুদা ৮শুবা পোজিসন তাখি।

এ আই এস সী দিগী মায়কৈদগী ট্রায়ল সেলেক্সন অদু লোইশিল্লবা মতুং ক্বালিফাই ওইখিবশিং অদু ইন্টরনেসনল কম্মিটি ফোর স্পোর্ট ফোর দি দেফ (আই সী এস দি)দা অরোইবা নুমীৎকী মাং ওইননা জুলাই ২৭তা লিষ্ট পীখি।

হীরম অসিগী মতুংইন্না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপশিং অমদি টুর্নামেন্টশিংদা শান্নরোয় খনবগী মতাংদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী খুৎ থিংজিনবা লৈতে। শান্নরোয় অসিগী মায়কৈদগী মীদিয়াদা ফোঙদোরক্লিবা কমপ্লেন্টশিং অদুগী মনুংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা নৎত্রগনা ফন্দ ৱাৎপগী মতাংদা শান্নরোয় লৌথোকপা নৎত্রগা হাপচিনবগী থবক থৌরম অমত্তা চথখিদে হায়না শেংদোরক্লি।

হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস সিষ্টম অসিগী মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী ওইনা শেল্লিবা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা ষ্টেট ফেদরেসনশিংগী মায়কৈদগী খনগৎলক্লবা শান্নরোয়শিং অদু সেলেক্সন ট্রায়ল তৌরবা মতুং ইন্দিয়াগী টিম শেম্নবা কেম্প চথবনি। মদুগী মতুংদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী থবক হৌগদৌরিবনি।

# মিরাবাইবু ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচএনএস): টোকিও ওলেম্পিক-২০২০দা সিলভর মেদল লৌরকখ্রবা ৱেথলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুদা অজটেক্স স্পোর্টস মণিপুরনা মোমেন্টো য়াওনা ঙমজবা খূদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উত্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

মিরাবাইগী য়ুমদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অদুদা মণিপুর খুন্নাইগী লম্‌শিংদা স্পোর্টস প্লেয়র পুথোকপদা হেন্না মায় ওনশিনবদা শরুক য়ামিন্নসি হায়না ৱারী শানখি। থৌরমদুদা চিংতম স্পোর্টস এন্দ দিভলপমেন্ট এসোসিএটেদকী প্রসিদেন্ট অশাং কাসার অজটেক্স স্পোর্টস মণিপুরগী ফাওন্দর থাংজম প্রমানন্দ, হেদ কোচ সলাম লেম্বা অমদি অজটেক্সকী মেনেজরসু ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট কিক বোক্সিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ূম রতন মৈতৈসু শরুক য়াখি।

# দিসিপ্লিন ৯গী শান্নরোয় লৌগদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া নেসনল সেন্টর ওফ এক্সলেন্স টাকয়েল, ইম্ফালনা দিসিপ্লিন ৯গী শান্নরোয়শিং লৌগদৌরি হায়না ফোঙদোরক্লি। ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল কম্পিটিসনশিং/ ষ্টেট চেম্পিয়নশিপশিংদা এসোসিএসন অমদি ফেদরেসননা শীন্দুনা পাঙথোকপদা ফজখিবা অমদি ইন্টরনেসনল কম্পিটিসনশিংদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনখ্রবা আর্চরি, এথলেটিক্স, সাইক্লিং, ফেন্সিং, ফুটবোল, হোক্কী, জুদো, ৱেথলিফটিং অমসুং ৱুশু দিসিপ্লিনগী ওইনা শান্নরোয়শিং লৌগদৌরিবনি। মতীক চারবা শান্নরোয়শিংনা সাই তাকয়েলদগী এপ্লিকেসন ফোর্ম অদু লৌরগা ওগষ্ট ২০ ফাওবগী মনুংদা সবমিট তৌগদবনি হায়রি।

# ওনলাইন রিফ্রেশর কোর্স

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ওগষ্ট ১৪দগীনা ২২ ফাওবা সী দিপ্লোমা পায়রবা কোচশিংগী ওইবা এ আই এফ এফ ওনলাইন রিফ্রেশর কোর্স অমা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা কোর্স অসিদা য়াওনিংবা কেন্দিদেটশিংনা ওগষ্ট ১২ ফাওবগী মনুংদা www.coaching.the-aiff.com দা লোগ ইন তৌরগা রেজিষ্টর তৌবা য়াগনি হায়না অস্ফানা ফোঙদোরক্লি।

# দেনমার্ক মাষ্টরর্স ইন্টরনেসনল চেলেঞ্জ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী অস্বিনি অমসুং সিকি ২শুবা তাখ্রে

এসবর্গ, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী):
দেনমার্ককী সিটি এসবর্গতা পাঙথোকপা দেনমার্ক মাষ্টরস ইন্টরনেসনল চেলেঞ্জ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী দবলসকী শান্নরোয় অস্বিনি পোনাপা অমসুং এন সিকি রেদ্দি রন্নর্স অপ তাখ্রে।




ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্মু লৈবাক দেনমার্ককী প্যের অমালি মাগেলুন অমদি ফ্রেজা রাবনগী মখূৎতা মায়থীহৌবনি। দেনমার্ককী প্যের অদুনা নুপীগী দবলসকী নম্বর ৱান সিদেদ ওইখি। অদুগা ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা অনীশুবা সিদেদ ওইখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু ইন্দিয়াগী অস্বিনি অমসুং সিকি রেদ্দিনা ২১-১৫দা থোইরগা মাঙজিল থাখিবনি। অদুবু অনীশুবা গেমদা দেনমার্ককী প্যের অদুনা অকনবা মওংদা লম্বা পীরকপদগী য়াম্না নক্লবা স্কোরদা ১৯-২১দা মায়থীদুনা দিসাইদিং গেম শান্নরকপদা দেনমার্ককী প্যের অদুনা ২১-১৪দা থোইখি। নুপাগী শান্নরোয় লক্ষ্য সেন সেমীফাইনেলদা ফ্রান্সকী খৃষ্টো কোপোবকী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

# স্রিজেশতা লুপা ক্রোর ১ পীরগনি

ট্রিরুবনন্থপুরম, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী):
টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা চহী ৪১গী মতুংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা পুৱারী শেমখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা গোলকিপর পি আর স্রিজেশতা ভি পি এস হেল্থ ক্যেরগী মায়কৈদগী লুপা ক্রোর ১ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

পি পি এস হেল্থ ক্যেরগী চেয়রমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর ওইরিবা ডা. সমশির ভয়ানিললনা ফোঙদোকখিবদা, গোলকিপর স্রিজেশনা লৌখিবা মরুওইবা থৌদাংশিং অদুবু ইকাই খুম্নবা ওইনা শেলগী মনা ওইনা লুপা ক্রোর ১ পীবদা কম্পেনি অদুগী মায়কৈদগী হরাউবা ফোঙদোক্লি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অদুনা জর্মনিগা শান্নখিবা ব্রোঞ্জ মেদলগী মেটচ অদুদা পাঞ্জল ৫-৪দা থোইখিবনি। মেটচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ্তা জর্মনিনা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংবা ঙমখ্রবসু কিপর স্রিজেশকী হৈথোই-শিংথোইবনা পাঞ্জল ওইহনখিদবনি।


# টোকিও সিলভর মেদলিষ্ট সাইখোম মিরাবাই চনু পেরিস ২০২৪ ওলিম্পিক্সতা য়াওদবা য়ারি : রিপোর্ট

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি (আই ও সী)গী এগজিক্যুটিভ বোর্দনা কম্মিটি অসিগী ওইবা চার্টর শেমদোক্লবা মতুং ৱেথলিফটিং অমসুং বোক্সিং দিসিপ্লিন অসি ওলিম্পিক গেমসতগী লৌথোকপা য়ানা লৈবা মরম্না টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবী সাইখোম মিরাবাই চনু কুমজা ২০২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা পেরিস ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা য়ারোইদবগী ফীভমদা লৈরি হায়না রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ফোঙদোরক্লি।

আই ও সীনা করিগুম্বা দিসিপ্লিন অনী অসি ওলিম্পিক্সতা য়াওদনবগী শেমদোরকপা কম্মিটি অসিগী চার্টর অদুনা থবক ওইনা চত্থরক্লবদি ইন্দিয়াগী ওইনদি সাইখোম মিরাবাই চনু অমদি বোক্সিংদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবী অসামদগী হৌখিবী নুপী বোক্সর লোভলিনা বোর্গোহেনসু মহাক্কী করিয়রদা ওলিম্পিক্সকী ওইনা হেন্না ফবা পর্ফোর্মেন্স উৎননবগী খূদোংচাবা অদু মাঙজগদৌরিবনি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস লোইখ্রবা মতুং মিরাবাই অমদি বোর্গোহেনগী মায়কৈদগী পেরিস ওলিম্পিক গেমসতা মখোয়-মখোয়না ফংখিবা মেদলশিং অদুদগী হেনগৎনা গোল্ড মেদল ফংননবগী অকনবা মওংদা শেম শাগনি হায়না ফোঙদোক্কখ্রবনি। ৱেথলিফটিং মশান্না অসি দোপিং কেসশিং য়াম্না তোয়না থোকপা মরম্না পেরিস ওলিম্পিক গেমসতা লৌথোকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈরি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি। আই ও সীগী মায়কৈদগী এগজিক্যুটিভ বোর্দনা ৱারেপ লৌরক্লবদি দিসিপ্লিন অনী অসি লৌথোকপা য়ারিবনি।


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 196

**GM Indjic, Aleksandar (2607) - GM Salem, A.R. Saleh (2682)**
**FIDE World Cup 2021 Krasnaya Polyana RUS, 2021.07.16**

1.d4 Nf6 2.Nf3 c5 3.d5 b5 4.Bg5 g6 5.a4 b4 6.Nbd2 Bg7 7.e4 O-O 8.Bd3 d6 9.Nc4 h6 10.Bh4 Nbd7 11.Nfd2 Nb6 12.O-O e6 13.dxe6 Bxe6 14.Re1 Qc7 15.Bg3 Ne8 16.Qc1 Rd8 17.c3 bxc3 18.bxc3 Nf6 19.a5 Nxc4 20.Bxc4 Nh5 21.Qc2 Nxg3 22.hxg3 Rfe8 23.Qd3 Rb8 24.Re3 Rbd8 25.a6 Bc8 26.Rb1 Kh7 27.Rf3 Re7 28.Nf1 Rf8 29.Ne3 Ree8 30.Nd5 Qd8 31.Rb8 Qg5 32.Ne3 f5 33.Qxd6...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 195 Ans. :**
65. ...b4 66. Nd7 The white knight deflects Black's king away from protecting the square b8. Kxd7 67.a7 Kc6 68. b8=Q
68. a8=Q
69. a8=Q+
68. ...Bxb8 69.axb8=Q
69. axb8=R
68. b8=R Bxb8 69.axb8=Q
69. axb8=R
69. a8=Q+
66. Nd7 Kc6 67.Kd3 Bc7 68. Kc4 Bd6 69.Kb3 Bc7 70. Kxb4 Bd6+ 71.Kc4 Bc7 72.Kd3 Bd6 73.Ke4 Bc7 74.Kf5 Bd6 75.Ne5+ Kc7 76.Ke6 Bc5 77.Nc6

# HOME DELIVERY SERVICE

**(Home construction items)**

- **Covid 19 Pandemic** না চৎথোক-চৎশিন তৌদনা য়ুম শাবগী **items** খূদিংমক - **Cement, Bricks, Tiles, Marble, Granite, Metal Roof Iron Sheets, Iron, Iron pipe, outside / local** গী লৈঙোই, **Stone Chips** নচিংবগী **Home Delivery Service** পীজরি।
- **Tiles / Granite Flowering, Modular Kitchen, Painting, Electrification, Mirror Greying, Aluminium / Iron / Steel Framing** নচিংবা মখল খূদিংমক্কী **Home Renovation** নচিংবগী **LOAN** গী খূদোংচাবসু ফংবীগনি।

Sd/- L.G. Construction and Material Company Pvt. Ltd.
Khagempalli Huidrom Leikai,
Imphal West, Manipur
# Mobile No. : 8787727402

HL-B/7056/6,8,10



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE FOR WELFARE OF OBCs & SCs**
1st Floor, South Block, Secured Office Complex, A.T. - Line,
Imphal, Manipur

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION**
Imphal, the 2nd August, 2021

No. A/4/NSP/OBC&SC-2021/706: It is hereby informed to all concerned that **Centrally Sponsored Scholarship for Pre-Matric & Post-Matric Scholarships for OBC Students, Pre-Matric & Post-Matric Scholarships for SC Students and Dr Ambedkar Centrally Sponsored Post-Matric Scholarship for EBC Students have been onboarded to the National Scholarship Portal (www.scholarships.gov.in)** maintained by Government of India and shall be implemented from the Year 2021-22. Link of the above website is, also, provided on this Directorate's website i.e., www.manipurobcsc.gov.in .

2. The following points are to be taken up by Educational Institute(s) to facilitate disbursement of OBC, SC & EBC Scholarship Schemes, 2021-22 to the eligible students on National Scholarship Portal (NSP):

i. To register Institute on NSP, Educational Institutes are informed to forward scanned copy of the duly filled-in Institute Registration Form along with the relevant documents in a single pdf file format to mobc-scholarships@googlegroups.com on or before **31st August, 2021** to enable students to apply and cause online verification of scholarship applications. Format of Institute Registration Form is available on www.manipurobcsc.gov.in .

ii. No hard copies of Registration Form will be accepted due to COVID-19 Pandemic.

iii. Hard copies of online scholarship application along with attested photocopies of relevant documents are to be retained at the Institute for the purpose of verification.

iv. This Directorate reserves the right to requisition any original documents or reject application form without prior notice.

v. For EBC Scholarship Scheme, students studying in Government School(s)/ College(s)/ Institutes(s) only are eligible.

vi. Timelines of the aforementioned scholarship schemes shall be notified later.

3. For further details, Scheme Officer (OBC, SC & EBC Scholarships) may be contacted during office hours on 9774496772. Queries, if any, may also be emailed at mobc-scholarships@googlegroups.com .

4. The earlier State Scholarship Portal "Online Scholarship Management System (OSMS)" maintained by this Directorate will be closed from this academic year.

5. **This shall be treated as Urgent since scholarship timelines on National Scholarship Portal are under the purview of Government of India.**

*Sd/- Ng. Bhogendra Meitei*
Director (Welfare of OBCs & SCs)
Manipur

HL-B/7066/10


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com